HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী ৫২শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা শরুক য়াখিবা গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেনা থোইদোক হেন্দোক্লবা মহৈরোয়শিংদা মনাশিং খূৎশিন্নবা


বেঙ্গলোরগী মীতৈশিংগা উনদুনা মণিপুরগী ইস্যুগী মতাংদা খন্নখ্রে
☛ লামায় ২

মণিপুর লৈঙাক্না ঈরাং লেপ্তনবা অদুম্মক শীল্লি : কম্মিটি
লামায় ৬

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম'
☛ লামায় ৯

ভারৎ লাইরেঞ্জম তরাম্না ওকখ্রে
☛ লামায় ১০


সেপ্টেম্বর ৮দা ২৬শুবা সেক্টর অসাম রাইফলসনা পল্লেলদা মীয়াম লাকশিনবগী মীংদা অতম্নবা নোংমৈনা কাপশিনবদা পান্দুনা লৈখিদ্রবা য়েংখোম জিতেনগী মফমদা অরোইবা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা




Vol. 47, Issue No. 172 | ইরাই, থৱানগী থাশু | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, September 15, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


### থা ৪ হেল্লক্লবা মণিপুরগী লানগী শন্নপ্পা পুৱারী

# মে ৩দগী সেপ্টেম্বর ১৩ ফাওবদা মীওই ১৭৫ শিরে

## হকচাং ১৬৬ মশক খঙলে, ৭৯ ক্লেম তৌরক্লে, ৩২ মফম খঙদ্রি : পুলিস

### নেসনল হায়ৱে - ২দা সিক্যুরিটি কম্পেনি ১০ দিপ্লোই তৌদুনা ব্লোকেদ নমখাইদুনা গাড়ী ২৬৯ লাকহনখ্রে হায়না ক্লেম তৌখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):** কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা তমথীরবা লান থোরকপ্পদগী কাংপোকপীদা কোর্টুনা চথরকখিবা ব্লোকেদকী অথিংবা মায়োক্লনবা সিক্যুরিটিগী কম্পেনি ১০ দিপ্লোই তৌদুনা ব্লোকেদ অসিবু নমখাইদুনা ঙসি গাড়ী ২৬৯ চঙহল্লকপা ঙমখ্রে অদুগা ইম্ফালদগীনা পোৎ চিংলুনবা অহাঙবা গাড়ী ২৮১ চৎখিদুনা কাংপোকপী লাম্থোক্লগা সেনাপতি য়ৌশিনখ্রে হায়না পুলিস ওফিস ৩না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদনা সিক্যুরিটি ফোর্সকী কম্পেনি ১৫ দিপ্লোই তৌদুনা গাড়ীশিং ফ্রী ফ্লোদা চৎহন্নবা থবক লৌখৎলে হায়নসু পাউমীশিংদা পুলিসকী আই জি অহুম্না ফোঙদোকখ্রে। জুলাই ৮, ২০২৩দগীনা হৌজিক ফাওবদা নেসনল হায়ৱে-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বীদা ইম্ফাল তম্না লাকখিবা অপূনবা গাড়ী মশীংনা ৫,৫২৩ ওইরগা হায়ৱে অসিদা ইম্ফালদগী চৎখিবা গাড়ী মশীংনা ৩,৫১০নি হায়খি।

অমরোমদা, এন ঐচ - ৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বীদনা জুন ১, ২০২৩দগীনা হৌজিক ফাওবদা চৎথোক চৎশিন তৌখিবা গাড়ীশিংগী মশীংনা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং পুবা গাড়ীশিংনা ৬১৭৫, অতোপ্পা পোৎলমশিং পুবা গাড়ীশিংনা ১৩,৯০৭ পূন্না গাড়ী ২০,০৮২নি হায়খি।

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী অপূনবা ঙমখৈ থুগাইরগা তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন লৌগনি হায়না তাল্লদুনা ষ্টেট অসিগী য়েলহৌ ফুরুপ মীতৈদা ওনশিন্দুনা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মে ৩দগী লেপ্তনা চথরল্লিবা তমথীরবা লান অসিগী মতাংদা ঙরাং নুংথিল পুং ৬ ফাওবগী মনুংদা প্রিলিমিনরি রিপোর্টশিংদা যূম্ফম ওইদুনা খোমজিনবা অপূনবা দেটা অমা মণিপুর পুলিসকী মায়কৈদগী আই জি পি অহুম্না ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোক্লদুনা লান অসিগী মনুংদা হায়রিবা মতম অসিদা মীওই



টিদ্দিম লম্বী পরিংগী বিষ্ণুপুর অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট অনীগী তাইনবদা লৈবা ফৌগাকচাও ইখাইদগীনা কাংভাই ফাওবগী মরক্তা লৈরম্বা বেরিকেদশিং লৌথোকখ্রবা মতুংগী শক্তম

১৭৫ শিখ্রে। মখোয়গী মনুংদা হকচাং ১৬৬ আইদেন্টিফাই তৌরে অদুগা হকচাং ৯গীনা আইদেন্টিফাই তৌবা ঙমদ্রিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অসিগী মনুংদগী মীতৈ ৫৯, কুকি ১৫ অমসুং অতোপ্পা ফুরুপকী মীওই ৫ ক্লেম তৌরকখ্রগা হৌজিক ফাওবদা হকচাং ৯৬কীদি ক্লেম তৌরক্ত্রি হায়বগা লোয়ননা অন ক্লেম দেথ বোদিশিং অসিগী মনুংদা রিমসতা ২৮, জেনিমসতা ২৬ অমসুং চুড়াচান্দপুরদা ৪২ লৈরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

### মীওই ১১০৮ শোকখি, ৩২ মফম খঙদ্রি

ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ তারকপদা বাবুপড়াদা লৈবা মণিপুর পুলিস হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা শরুক য়াখিবা আই জি পি (জোন-থ্রী) নিসিট কুমার উজ্জ্বাল, আই জি পি (ওপস) আই কে মুইভা অমসুং আই জি পি (এ দি এম) কে জয়েন্তনা মখা তানা, মে ৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী লান অসিগী মনুংদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ফাওবদা শোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১১০৮নি হায়রি। অদুগা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মফম খঙদ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ৩২নি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

### মৈ থাবগী থৌদোক ৫১৭২ থোকখি

পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসর অহুম্না পাউমীশিংদা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লান অসিগী মনুং চন্না হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মৈ থাবগী থৌদোক ৫১৭২ থোকখি। মসিগী মনুংদা যূম ৪,৭৮৬ তুম্নবা অমাঙ অতা থোকখি।

অমাঙ অতা থোকখ্রবা যূমশিং অসিগী মনুংদা মীতৈশিংগী যূমনা ২,১২২ ওইরগা কুকিশিংগী যূমনা ২,৬৬৪ ওইখি হায়রি।

### চর্চ-লাইশঙ ৩৮৬ অমাঙ অতা থোকখি

লোয়ননা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা চথরকখিবা তমথীরবা লান অসিগী মনুংদা লাইনীংগা মরী লৈনবা মফম/লাইশঙ/চর্চ৩৮৬ মৈ থাবা য়াওনা থুগাই-য়ৈখাইদুনা অমাঙ অতা থোকহনখিবগী মনুংদা চর্চ ২৫৪ অমসুং লাইশঙ ১৩২ য়াওখি হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

### নোংমৈ ৫,৬৬৮, মরূ ৬,৬৪,০০২ অমসুং বোম ১৪,৮২৫ মাঙখি

লান অসিগী মনুংদা মণিপুর পুলিস, আই আর বি অমসুং মণিপুর রাইফলসনচিংবদগী পূন্না মাঙখিবা নোংমৈশিংগী মশীংনা ৫,৬৬৮নি অদুগা নোংমৈশিং অসিগা কোন্ননা মাঙখিবা মরূশিংনা ৬,৬৪,০০২ ওইরগা মাঙখিবা অপূনবা বোমগী মশীংনা ১৪,৮২৫ ওইখি হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবদা মাঙখ্রিবা নোংমৈশিং অসিগী মনুংদগী তোঙান তোঙানবা নোংমৈ ১৩২৯, নোংমৈ মরূ ১৫,৫০০ অমসুং বোম ৪০০ রিকোভর তৌবা ঙম্লে হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী রিকোভর তৌখিবা নোংমৈশিংগী মশীংনা ৬২নি হায়খি।

### কেস ৯,৩৩২ রেজিষ্টর তৌখি, মীওই ৩২৫ ফাগৎখি

### ফৌগাকচাও ইখাইদগীনা কাংভাই ফাওবদা থম্লম্বা বেরিকেদশিং লৌথোকখ্রে

পাউগী মীফম অসিদা পুলিস ওফিসরশিংনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা মতম খরগী মমাঙদগী কোওর্দিনেসন কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি) না অকক্লবা মতম অমা ফাওবা পীদুনা বিষ্ণুপুর অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট অনীগী লোম্নবা টিদ্দিম লম্বী পরিংদা তোঙান তোঙানবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা থমজিল্লকখিবা বেরিকেদশিং লৌথোক্লবা অকনবা দিমান্দ তৌরকপগা মরী লৈননা লম্বী পরিং অসিগী ফৌগাকচাও ইখাইদগীনা কাংভাই ফাওবদা থমজিল্লম্বা বেরিকেদশিং লৌথোকখ্রে হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

থবক অসি আই জি পি কে কবিবনা লুচিংলগা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি য়াওবা পুলিস টিম অমনা চৎখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

### কৌত্রুক্তা সিক্যুরিটি মতিক চানা থল্লে

লোয়ননা ঙাইহাক লৈতনা নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লরিবা কৌত্রুক্তা আই জি পি অমনা লুচিংবা পুলিস টিম চঙশিন্দুনা মফম অসিগী ফীভম য়েংশিনখিবগা লোয়ননা সী এ পি এফশিংগী মনুংদগী বি এস এফ, সী আর পি এফ অমসুং অতৈ ফোর্সশিং মতিক চানা থল্লে হায়খি।

পুলিসকী মায়কৈদগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম খরগী থৌদোক থোকফমশিংদসু য়েংশিনখিবগা লোয়ননা মতিক চাবা সিক্যুরিটিশিং থল্লে। খূৎ থোক্লবগী থৌদোক হেক থোকখিবগা মফমশিং অদুদা পুলিসনা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংগা খূৎশম্নুনা কোম্বিং ওপরেসন চঁথে হায়নসু ফোঙদোকখি।

পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসর অহুম্না পাউমীশিংদা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মে ৩দগী চথরল্লিবা কাঙলূপ মশেলগী তমথীরবা লান অসিগী মনুংদা থোকখিবা থৌদোকশিংগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংনা এফ আই আর কেস ৯,৩৩২ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবগা লোয়ননা কেসশিং অসিগী মনুংদগী খরগী মতাংদা ফাগৎখিবা মীওইশিংগী ...মখা লামায় ৩ কলম ১

### এম এল এ অমসুং মিনিষ্টরশিংগী দেল্লী খোঙচৎ

# স্পিকরনা লুচিংবা টিম অমনা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা উনখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) :** যুথ ওফ মণিপুরগা থা অসিগী ১১গী নুমিদাংদা য়ানখিবগী মতুংইন্না ঙরাং ফাওবদা দেল্লীগী লুচিংবশিং উনদুনা দিমান্দশিং তকশিল্লুনবগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লখিবা এম এল এ/ মিনিষ্টরশিংগী মনুংদগী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর টি ঐচ সৈত্যব্রতনা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমনা ঙসি নুমিদাং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা উনখ্রে হায়রি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়বদা হোম মিনিষ্টরগা উনদুনা হকথেংননা ৱারী শানখিবা টিম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর অহুম - গোবিন্দাস কোন্থৌজম, ডা. সাপম রঞ্জন অমসুং হৈখাম দিঙ্গো য়াওখি। অদুগা এম এল এশিংগী মরক্তগীনা অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী টি ঐচ শ্যামকুমার য়াওখি হায়রি।

মণিপুর লৈঙাক্কী মহুৎ শিনবা মীহুৎশিং অদুনা যুথ ওফ মণিপুর য়াওনা মণিপুরগী মীয়াম্না ঙসি ফাওবদা লেপ্তুনা চথরল্লিবা লান অসিগা মরী লৈননা তান্দুনা লাকপা দিমান্দশিং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা ময়েক শেংনা ফোঙদোক্তুনা খঙহনখি অমসুং দিমান্দশিং অসিবু থবক্তা ওন্থোকপদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংবীনবা তকশিনখি হায়রি।

স্পিকরনা লুচিংবা মিনিষ্টরশিং অমসুং এম এল এ ফাওবনা শরুক য়াখিবা মীহুৎ কাঙবু অসিদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী মায়কৈদগী হৌজিক ষ্টেট অসিদা মায়োক্লরিবা ফীভমশিং অসিগী অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনবদা য়ুনিয়ন লৈঙাক খক্তদা ইন্থোকপগী মহুত্তা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎনবা পাউতাক পীরকখি হায়রি।

লোয়ননা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক অনী খূৎশম্নদুনা চথরল্লিবা তমথীরবা লান অসি লোইশিন্দুনা মণিপুরদা মহৌশাগী তংদু লৈতাবা ফীভম অথুবা মতমদা পুরক্লবা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোরকখি হায়রি। অহানবদদি মণিপুরদগী চৎখিবা য়াল্লবা এম এল এ অমসুং মিনিষ্টরশিং পূন্দুনা হোম মিনিষ্টরগা উননবা থৌরাং তৌখিবনি অদুবু হোম মিনিষ্টরগী মনাক্তা নেসনল মীদিয়াশিংসু ঙাইদুনা লৈবদা নত্তনা মণিপুরগী অতোপ্পা ফূরুপশিংগী মীওইশিংসু উননবা ঙাইরিবনা পূন্না লাকপগী মহুত্তা তোঙান তোঙানবা টিমশিং খাইদোক্লগা লাক্লবা খঙহল্লকপদগী ঙসি অহানবগী ওইনা স্পিকরনা লুচিংবা টিম অসিগা উনখিবনি। হয়েংসু অতোপ্পা টিম খরগসু উনখিগনি হায়রি।

## দেল্লীদা চৎখিবশিংনা মণিপুরগী ঈরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরগা হনবীরকউ : ডা. লুৱাং

### 'লান অসি লোইশিনগে হায়রবদি নুমিৎ নীনিদা লোইশিনবা য়াবনি, বি জে পি কন্নবা হোৎনবদা থা ৪ হেন্না চঙহনবনি'




**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস):** মে ৩দগী ঙসি ফাওবদা চথরল্লিবা মীয়াম্বু তংদু লৈতাহন্দ্রিবা ঈরাং অসি লৈঙাক্না লোইশিনগে হায়রবদি নুমিৎ নীনিদা লোইশিনবা য়াবনি অদুবু বি জে পি কন্নবা হোৎনবদা থা ৪ হেন্না চঙহনবনি হায়না জে দি - য়ু, মণিপুর ষ্টেটকী সিনিয়র স্পোক্সপর্সন ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা রুল্লিংগী এম এল এ/ মিনিষ্টর ময়াম ঙরাং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি উননবা চৎখিবা অদু প্রাইম মিনিষ্টরগা উনদুনা থোক্লিবা ঈরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লগা হনবীরকউ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা পার্টি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্না ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়, মমাঙদা সেন্টরগী লুচিংবশিং উনবা চৎপদা তাল্লকখি হায়বদু হন্দক্তি থোকহনবীরগনু। থা অসিগী ৮দা পল্লেলদা অসাম রাইফলসকী কা হেনবা থৌওংনা মীচম মীয়াম্বু ঙাকপী শেনবীবগী মহুত্তা মণিপুর ঙাক্লিবা ইমা ইবেলশিংদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

### কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস):** হয়েং সেপ্টেম্বর ১৫দা কর্ফিয়ু কোমথোক্কদবা দিষ্ট্রিক্টশিং-ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ৯, ককচীং দিষ্ট্রিক্টতা অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা অদুগা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা অয়ূক পুং ৫দগীনা নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কোমথোক্কনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### HL Poll

Q : Meeyamgi mangkhraba thajabasing hanjilhallaknaba leingakna thabak paikhatlakpa houre haina louba yaragadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

### NGARANG GI RESULT

Q : Youth of Manipurgi demandagi Delhida chatkhiba meehutsing na demandsing adu thabakta onthokpa ngamgani thajabra?

Yes 14% No 86%

### অস! লোইরেহে!

- অঙাংশা ঐগীসি মাল্লব্রা?
- [illegible]



- খ্বাং খিত্তং কোনবীয়ু, বাজি।
- [illegible]

# এদিটরস গিল্ড ওফ ইন্দিয়াগী মথক্তা হায় কোর্টতা পি আই এল ফাইল তৌরকখ্রে

### হায় কোর্টনা রেস্পোন্দেন্ট ৯দা ওক্টোবর ১২ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) :** এদিটরস গিল্ড ওফ ইন্দিয়া (ঈ জি আই) গী মীওই ৩না শাবা ফেক্ট ফাইন্দিং টিম অমনা ওগষ্ট ৭তগী ১০ ফাওবা লান চথরিবা মণিপুরদা লাক্তুনা য়েংশিল্লবা মতুংদা ফোঙলকপনি হায়বা রিপোর্ট অমা থা অসিগী ২দা পুথোরকপদগী লৈবাক ৱাথোক ওইরক্তুনা পোরোম্পাৎ অমসুং ইম্ফাল পুলিসনা ফাওবা কেস অমমম রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলকপদগী ঈ জি আইনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা মসিগী মায়োক্তা ৱাকৎলক্লিঙৈগী চৈরক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ঈ জি আইগী থৌওং অসিগী মায়োক্তা পি আই এল অমা ঙরাং ফাইল তৌরকখ্রে।

পি আই এল অসি য়াইস্কুলদা হেদ ক্বার্টর ওইবা ইন্টরনেসনল মীতৈজ ফোরমগী সেক্রেটরি জেনরেল থাংজম রোলিভিন (৫২) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ ইরাবোত, খুরাই অহোঙ্গৈ লৈকায়দা লৈবনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

পি আই এল সিগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী সেক্রেটরি, মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদ কাষ্টিং, মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি, কম্মিস্নর (হোম), ঈ জি আইগী প্রসিদেন্ট, ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন, ঈ জি আইগী সিমা গুহা, সঞ্জয় কাপুর অমসুং ভারতভুষননি।

পি আই এল অসি ঙসি এক্টিং চীফ জষ্টিস এম ভি মুরালিদরন অমসুং জষ্টিস এ বিমোলগী বেঞ্চনা লৌখৎখ্রে। কোর্টনা মেটর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল এম হেমচন্দ্রনা লেপ্পলগা কাউন্সেল অজয় পেবমনা মতেং পাংখি। পিটিস্নরগী কাউন্সেলশিংনা তৌরকপা সবমিসনশিং তারবসু কোর্টকী মায়কৈদগী ঈ জি আইনা এপেক্স কোর্টতা ফাইল তৌরকপা রিট পিটিসন অমা পেন্দিংদা লৈরিবনা মেটর অসি হায় কোর্টনা খন্নবা চুমগদ্রা হায়বা ৱাফম কোর্টনা ফোঙদোকখি। ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### ষণ শেন্দুনা লৈবা মীওই ১ কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলমগদৌরে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস):** ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তারকপদা নরানসৈনাদা লৈবা আই আর বিগী কেম্পস মনুংদা ষণ শেন্দুনা লৈজবা মীওই অমা তম্না নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা হাৎননবা হোৎনরম্লে হায়রি। থৌদোক অদুদগী খুল ঙাকপশিংনসু হন্দুনা খূৎ থোক্লখি। অদুম ওইনমক নাকল অনীগী মরক্তা মীশি-মীনা অমত্তা য়াওখিদে হায়রি।

লোয়ননা ঙসি অয়ূক পুং ৭ লোম তারকপদনা ফুবালা মনীংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা বোম ১ অমসুং নোংমৈ মরূ খরা কাপশিল্লকখ্রে। ঙসি নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তারকপদনা নরানসৈনা মনীংগী লো কেনেলদসু নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে হায়রি।

## ওপোজিসন 'আই এন দি আই এ' না টেলিভিজনগী এঙ্কর অমসুং শো খরা বোইকোট তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সী) :** মথং চহীদা পাঙথোক্কদবা পার্লিয়ামেন্ট মীখল নকশিল্লকপগা ইরোয়ননা হৌখিবা কুমজা ২০১৯গী মে থাদসু কোংগ্রেসনা টেলিভিজন শোশিং থা অমগী ওইনা বোইকোট তৌখিবগী মখা তারকপদা হন্দক্কী মীখল অসিদা বি জে পিবু মায়থীবা পীনবগীদমক কোংগ্রেস য়াওনা মরু ওইবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা পুনশিন্দুনা শেমখিবা 'আই এন দি আই এ' গী মায়কৈদগী টেলিভিজনগী এঙ্কর অমসুং শো খরা বোইকোট তৌনবা ফিরেপ লৌরে হায়রি।

ৱারেপ অসি ঙরাং পাঙথোকখিবা আই এন দি আই এগী কোওর্দিনেসন কম্মিটিগী অহানবা মীফম্না লৌখিবনি। ৱারেপ অসি লাউথোকপগা লোয়ননা পার্টি ময়ামগী অপূনবা ব্লোগ অসিনা বোইকোট তৌগদবা টেলিভিজনগী দিবেট অমসুং শোশিংগী লিষ্ট লাউথোক্লগনি হায়রি। নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা সরদ পৱারগী যূমদা ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফম অসিনা ৱারেপ অসি লৌখিবগা লোয়ননা কোংগ্রেসকী মায়কৈদগীদি রাহুল গান্ধীনা চৎখিবা ভারত জোরো যাত্রা অদুগী মতাংদসু মীদিয়া খরনা নীংথিজনা পব্লিসিটি তৌখিদে হায়বগী চার্জ তৌবসু লৈরিবনি। রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর অশোক ঘেলোটনসু এদিটরশিংনা যাত্রা অদুবু বোইকোট তৌখি অমসুং মেনষ্ট্রিম মীদিয়ানসু বোইকোট তৌখি হায়না ফোঙদোকখি।

### এক্স মিনিষ্টর বিরেনগী যূমদা নোংমৈ কাপশিল্লম্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস):** ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৫ রোম তারকপদা লমশাং পি এসকী মনুং চনবা ফয়েং অৱাং লৈকায়দা লৈবা সেকমাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী কাদুনা মিনিষ্টর ফাওবা ওইরম্লবা নিংথৌজম বিরেনগী যূমদা গাড়ী মচা অনীদা লাকপা মীওই ৪/৫না নোংমৈ রাউন্দ ৩/৪ কাপশিল্লম্লে হায়রি।

থৌদোক অসিদা মীওই অমত্তা অশোক অপন নংখিদে। অদুম ওইনমক শকখঙদবশিংনা কাপশিল্লম্বা পোইন্ট ৯ এম এমগী পিষ্টোলগী এমটি কেস ৩দি নোংমৈ কাপশিনফমদা তারমখি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসতা পাউ পীখ্রবসু ঙসি নুমিদাং পুং ১১ রোম তারকপা ফাওবদা লাকখিদে হায়রি।

# হীংনবগী পাম্বৈ লৈত্রে, ইশাগী কিদনি ফাওবা য়োম্থোক্লীংলে : ওইনাম ইতোমচা

### হকথেংনবা পাউদম

#### চুড়াচান্দপুরগী খুঙ্গাশিং

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) :** ৱার্কশোপ তৌদুনা মীপান তাংদনা শেম্থোক লম্বী লৈজনা হীংলম্বনি। অদুবু ঙসিদি যূম, ৱার্কশোপতা লৈবা মীগী শেম্নবা থম্লম্বা গাড়িশিং, ৱার্কশোপকী খুৎশু-খুৎলায় পূম্নমক কৈগী ফৌ য়াওনা মৈনা তুম্না থাদোকপীখ্রে। হৌজিক রিলিফ কেম্পদসু লৈফম লৈতবনা মরী মতা অমগী যূমদা লৈরি। অসুক ৱারবা মতম অসিদা লৈঙাক্না য়াল্লবসু য়ামদ্রবসু কম্পেন্সেসন পীগনি হায়রিবা অসিদসু রিলিফ কেম্পদা লৈতবা লাঞ্জেন্নরকপশিংগীদি তপ্না পীগনি হায়রকপা ৱাহৈ অসি তাবদগী অমুক্কা হেন্না অৱাবা পোৎলুম অমা ওইহল্লে হায়না ওইনাম ইতোমচানা ফোঙদোরক্লি।

ওইনাম ইতোমচা চুড়াচান্দপুরগী ঙাথল মীতৈ লৈকায়দা ৱার্কশোপ তৌদুনা পাইতে মচা অনী অহুম লোমসু থবক পীদুনা মহাক্কী লোয়নবী অমদি মচা মরিগা লোয়ননা চুরাচান্দপুরগী ঙাথল মীতৈ লৈকায়দা হিংলম্বা মীওই অমনি। অদুবু হৌখিবা মে অহুমদা কুকিশিংনা যূম কৈ তুম্না মৈনা থাদোকপীখিবদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা থম্নাপোকপীদা হাংবা রিলিফ কেম্পদা মতম খরা লৈরম্লবা মতুংদা রিলিফ কেম্প অদু থুপচিনখিবনা থম্নাপোকপীদা লৈবা মাম্মা থোকপা মরি মতা অমগী যূমদা লৈরক্লি।

ওইনাম ইতোমচানা মখা তানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখিবদা, ওইরিবা ফীভম অসিদা হীংনবগী পাম্বৈ লৈত্রে, কিদনি য়োম্নিংলে তৌবতবু এম এল এ অমদি মিনিষ্টরশিং খক্তনা ঐগী কিদনি অসি লৈবিগদবনি হায়না পেন্দবা ৱাফম ফোঙদোরকখি। লাঞ্জেন্নরকপা পূম্নমক অৱা-অনা তাদুনা যূম কৈ লোয়না মৈনা থাদোকপীখিবদগী ৱানা পুন্সি লেল্লিবনি।



মরম অদুনা লৈঙাক্না লাঞ্জেন্নরকপা পূম্নমকপু অচান-মীরাই নাইদনা মখোয়-মখোয়গী ফংফম থোকপা চাকথুংশিং অদু পীবিয়ু। অৱাবা তারবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগী মনুংদা রিলিফ কেম্পদা লৈবনা লৈঙাক্না পীরিবা খুদোংচাবশিং হান্না ফংহনগনি। অদুগা মরি মতাগী যূমদা লৈবা লাঞ্জেন্নরকপশিংনা তপ্না কোন্না পীগনি হায়রিবা ৱাফম অসিবু করম্বা ৱাফমনো। চপ মান্ননা লোয়না ৱামিন্নরিবা ঙাক্তনি। রিলিফ কেম্পদা লৈগে হায়রবসু থম্নাপোকপী মায়কৈরোমদা রিলিফ কেম্প অমত্তা লৈত্রে। ইশামক মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী মীওইশিংগা উন্নদুনা ক্বাক্তাদা শারিবা প্রি-ফেব্রিকেটেদ হাউসতা ফাওবা মতম খরা লৈজগে হায়রুরবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লৈফম লৈতবনা ৱারসু ৱানা মাম্মগী যূম অসিদা লৈরি।

মে ৩ দা চুড়াচান্দপুরদা থোকখিবা ঈরাং অদুমক্তি নংহৌদ্রে। মরমদি নুমীৎ অদুদা ঐগী নুপীগী মপাম ওইরিবা ত্রোংলাউবিদা নুপীগী মনাওনুপী অমগী লুহোংবগী লাক্তুনা লৈবা তাঞ্জা হায়বদু থোকখি। মরম অদুনা যূমদগী করিগুম্বা পোৎশক অমা ফাওবা লৌথোকপা ফাওবা নংহৌদ্রে। ঙসি ফাওবা অমুক হন্না চঙবসু ঙমদনা লৈরে। ইচিন-ইনাউ মরিনি অদুবু লোয়নমক তোঙান-তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈনরি। যূম মৈ থাখিবা অদুদা অপোকপগী কৈদা হাপ্পুনা থম্বা ফৌবোৎ ৩২ অমদি ঐহাক্কীসু কৈদা থম্বা ফৌবোৎ ৩২ মৈনা তুম্না চাকখ্রে। মসিদা নত্তনা ইশানা হাংজবা ৱার্কশোপতা মীগী শেম্নবা থম্বা অল্টো কার অনী, ৮০০ কার অমা, ভেন অমা, গাড়ি মচা খরগা ঐগী লৈজবা গাড়ি মচা অমদি ফোসর্ন অমা য়াওনা পুন্না গাড়ি ২১ সু মৈনা তুম্না চাকখ্রে। লোয়ননা ৱার্কশোপ অসিদা শেম্নবা থম্বা ৱাটর পম্প অনীসু মৈনা চাকপদা য়াওখ্রে। ঈরাং ফরবা মতুংদা ৱার্কশোপ অসিদা শেম্নবা থম্বা মৈনা চাকখ্রবশিং অদু মপুশিংনা লাক্তুনা শোয়দনা শিংউ হায়রকখিগনি। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লসু মীৎয়েং চঙহন্নিংই। লোয়ননা যূমদা লোয়জবা ষন মঙাসু মৈনা চাকপদা য়াওখ্রবরা নত্রগা কদাইদা লৈখ্রবনো হায়বসু অদুমক খঙদ্রে। ফজরবসু থিরবসু চহী কয়া চঙনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬